# নমথাক তৌরগা গভর্নমেন্ট সবসিটি ক্রোর ৬.৮১ লৌথোক্লম্বা মচিন মনাও অনী ই ও দব্লিয়ুনা ফারে



ভুবনেশ্বর, এপ্রিল ৭ (এজেন্সী):

লৌমীশিংদা এগ্রিকলচরেল ইক্বিপমেন্ট সপ্লাই তৌবদা শীজিন্নগদবা লুপা ক্রোর ৬.৮১ গী গভর্নমেন্ট সবসিদি নমথাক তৌদুনা লৌথোক্লম্বা মচিন মনাও অনী ওরিষা ক্রাইম ব্রাঞ্চকী ইকনোমিক ওফেন্সেস ৱিং (ইওদব্লিয়ু) না ফারে হায়না শগোলশেল নুমিত্তা ওফিসিএল অমনা ফোঙদোরক্লি।

ক্রাইম ব্রাঞ্চকী এদিস্নেল দিরেক্তর জেনরেল (এদিজি) সঞ্জিৎ পান্দানা হায়, এক্যুজশিং অদুদি সিটাল এগ্রো ইনপ্যুটস প্রাইভেট লিমিটেদকী দিরেক্তর মনাস রঞ্জন দাস অমসুং জগৎসিংপুর দিষ্ট্রিক্টতা লৈবা মিসিলা ইন্টরপ্রাইজকী প্রোপ্রাইটর ওইরিবা মহাক্কী মনাওনুপা টাপস কুমার দাসনি। মখোয় অনী য়ুমশকৈশা নুমিত্তা ফাখি অমসুং জগৎসিংহপুরগী এসদিজিএম কোর্টতা থাখি।

পান্দানা মখা তানা হায়খি, মদুদি শেমজিন শাজিনবা ইনভোইসশিং সবমিট তৌদুনা এক্যুজশিং অদুনা বেনিফিসরিশিংদা লৌউ শিংউবগী ইক্বিপমেন্ট আইটেম ৫০৪ পীখি হায়বসি উৎখি অমসুং সবসিদিগী শেনফম অদুগী অচৌবা স্যের মখোয়না হাইহৎখি।

মখোয়না নমথাক তৌদুনা লৌথোকখিবা লুপা ক্রোর ৬.৮১ রোমগী সবসিদি অদু লৌমীশিং অমসুং অতৈ বেনিফিসরিশিংগীনি। শেনবা চহীশিং ২০১৮-২০১৯ অমসুং ২০১৯-২০২০ দা মনাসনা মহাক্কী মনাওনুপাগী ফার্ম য়াওনা দিল্লর নিপানগা খুৎশম্নরগা শেমজিন শাজিনবা ইনভোইসশিং পরিং নাইনা অপলোদ তৌদুনা ওরিষাগী দিষ্ট্রিক্ট ১৯ দা লৈবা লৌমীশিংদা ট্রান্সপ্লান্টর ৫০৪ সপ্লাই তৌখি অমদি য়োনখি হায়বসি উৎখি।

দিষ্ট্রিক্টশিং অদুগী মনুংদা জগৎসিংহপুর, জয়পুর, বলাশ্বর, কুর্দা, কলাহান্দি অমসুং সম্বলপুর য়াওরি।

দাইরেক্ট বেনিফিট ট্রান্সফর (দিবিটি) স্কিমগী মখাদা মখোয়না সবসিদিগী শেনফম লুপা ক্রোর ৬.৮১ লৌথোকখি। লৌমীশিংগী ইক্বিপমেন্ট লৈবগী সবসিদিগী শেনফম অদু বেনিফিসরি ফার্মর অদুগী একাউন্টদা ক্রেদিট হেক তৌশিনবগা এক্যুজ মনাস অমসুং মহাক্কী মনাওনুপা টাপস অমদি অতৈ দিল্লরশিংনা বেনিফিসরি অদুবু অপূনবা সবসিদিগী শেনফম ৱিদ্রো তৌহনখি। মখোয়না বেনিফিসরিদা শরুক খরা পীথোক্লগা সবসিদিগী শেনফম অদুগী অয়াম্বা শরুক কেস ওইনা বেনিফিসরিশিংদগী লৌথোক্লমখি হায়না ইওদব্লিয়ুগী ওফিসিএলশিংনা ফোঙদোকখি।

প্রোসেস অপুম্বা অদুদা থাঙৈশেংবা মেছিন-ট্রান্সপ্লান্টর অদু শাখিদে নত্ত্রগা য়োনখিদে। তৌইগুম্বসুং বেনিফিসরিশিংগীদমক্তা সবসিদি অদুদি ফঙহনখি।

# ওমার অব্দুল্লাহবু ইদিনা সম্মন তৌখ্রে নেসনেল কনফরেন্সনা সেন্টরবু চৈ থাংখ্রে



শ্রীনগর, এপ্রিল ৭ (এজেন্সী):

মনি লোন্দরিং কেস অমগা মরী লৈননা ৱাহং পাউহং চথনবগীদমক ইনফোর্সমেন্ট দিরেক্তোরেট (ইদি) না জম্মু এন্দ কাশ্মিরগী হান্নগী চীফ মিনিষ্টর ওমার অব্দুল্লাহবু সম্মন তৌখিবা মতুংদা নেসনেল কনফরেন্সনা সেন্টরবু কন্না চৈ থাংখ্রে।

ষ্টেটমেন্ট অমদা জম্মু এন্দ কাশ্মির নেসনেল কনফরেন্স (জেকেএনসি) না হায়খি, মদুদি পার্টি অসিগী ভাইস প্রসিদেন্ট ওমার অব্দুল্লাহবু শগোলশেল নুমিত্তা দিল্লিদা লৈবা ইদিগী ওফিসতা লাক্নবা এজেন্সি অসিনা সম্মন তৌরকখি।

ইনভেষ্টিগেসন অমগা মরী লৈননা মহাক লাকপা হায়বসি মথৌ তাই হায়রদুনা হান্নগী চীফ মিনিষ্টর অসিবু এজেন্সি অসিনা সম্মন তৌরকপনি।

শেংলবা রামজানগী থা মনুং ওইবগা লোয়ননা দিল্লি অসি মহাক্কী ময়ুম লৈবা সিটি ওইদ্রবসু অব্দুল্লাহনা মতম য়ৈথোক্লবা হায়জখিবা নত্ত্রগা মফম হোংনবা হায়জখিবা লৈতে। মহাক্না পীরকখিবা নোটিসকী মতুং ইন্না ওফিসতা চৎখি হায়না ষ্টেটমেন্ট অদুদা পনখি।

মখা তানা ষ্টেটমেন্ট অদুনা হায়, সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টনা ইনভেষ্টিগেটিব এজেন্সিশিংবু লান্না শীজিন্নবগী থৌওং অসি তোইনা চথরক্লি। মসিসু মায়কৈ অসিদা থাংলকপা অতোপ্পা খোঙথাং অমনি।

বিজেপিবু কন্না ওপোজ তৌবা পোলিটিকেল পার্টি অমত্তা লেম্না থাবা লৈত্রি। ইদি, সিবিআই, এনআইএ, এনসিবি এজেন্সি পুম্নমক অসি পোলিটিকেল পান্দমশিংগা মরী লৈননা শীজিন্নদুনা লাক্লি। মতম অমদা ইলেক্সন কম্মিসন্না ইলেক্সনশিং লাউথোকখি।

তৌইগুম্বসুং হৌজিক্তিগী ইলেক্সনশিং ইদিনা ওইনা লাউথোক্লে হায়নসু ষ্টেটমেন্ট অদুদা পনখি।

মখা তানা ষ্টেটমেন্ট অদুনা হায়, হৌখিবা চহী খরা অসিদা অসিগুম্বা থৌওং অসি ষ্টেট ইলেক্সনশিং পাঙথোক্কদবা মফমশিংদা উবা ফঙখি। ইদিগুম্বা এজেন্সিশিং চঙলক্লগা বিজেপিবু চেলেঞ্জ তৌরিবা পার্টিশিংদা টার্গেট তৌরকই। ঐখোয়গী ভাইস প্রসিদেন্টদা থারকখিবা সম্মন অসিসু অসিগুম্বা থৌওং অমদনি হায়খি।

All India Coordinated Research Project on Micro and Secondary Nutrients and Pollutant Elements in Soils and Plants
CAU, Imphal Centre

ꯋꯥꯀ-ꯏꯟ-ꯏꯟꯇꯔꯚꯤꯎ / **Walk-in-Interview**

Dated the 8th April, 2022

Applications are invited to attend interview for the post of Junior Research Fellows on purely contractual basis under the project AICRP on Micro and Secondary Nutrients and Pollutant Elements in Soils and Plants on April 12, 2022 at College of Agriculture, Iroisemba (CAU, Imphal). For details regarding the interview log in to CAU, Imphal Website (https://www.cau.ac.in).

**Sd/- Prof. Indira Sarangthem**
**PI, AICRP (MSPE)**
**CAU, Imphal Centre**

HL-P/2035/8

# ৱার্ল্ড হেল্‌ঠ ডেগা মরী লৈননা লোক সভাগী স্পিকরশিং অমদি য়ুনিয়ন মিনিষ্টরশিংনা রেদ ফোর্টতা যোগা পাঙথোকখ্রে



ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ৭ (এজেন্সী):

ৱার্ল্ড হেল্‌ঠ ডেগা মরী লৈননা শগোলশেল নুমিত্তা লোক সভাগী স্পিকর ওম বিরলা, য়ুনিয়ন মিনিষ্টর সর্বনন্দ সোনোৱল, মিনাক্ষি লেখি, জি কিষান রেদ্দি অমসুং ভুপেন্দর যাদবনা যোগগী মরু ওইবদা মীৎয়েং চিংশিন্দুনা ৱা ঙাঙখিবগা লোয়ননা রেদ ফোর্টতা অশনশিং পাঙথোকখ্রে।

নুমিৎ অসিগা মরী লৈননা অয়ুস মিনিষ্ট্রিনা যোগ উৎসব শিন লাংখি। সেন্টরগী অজাদি কা অমৃট মহটসব য়েংদুনা ইন্টরনেসনেল যোগ ডেগী মাঙওইননা উৎসব অদু মিনিষ্ট্রি অসিনা শিন লাংখিবনি।

তিল্লিবশিংদা ৱা ঙাঙলদুনা ওম বিরলানা যোগগী মরু ওইবশিং থমখি অমসুং যোগ অসি ইন্দিয়াগী ইনাক খুল্লবা কলচরেল হেরিটেজগী সিম্বোলনি হায়খি।

মহাক্না ৱার্ল্ড হেল্‌ঠ ডেদা মীপুম খুদিংমক্তা হরাও তয়াম্না উৎখি অমসুং যোগবু মালেম পুম্বগী মীয়াম্না পামহনবগীদমক প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিবু থাগৎখি।

সর্বনন্দ সোনোৱালনা হায়খি, মদুদি ঙসি অসি ৱার্ল্ড হেল্‌ঠ ডেনি। যোগ অসি হকচাং অমসুং ৱাখল নীংথিনা লৈহনবদা চাওনা মতেং পাঙবা ঙম্বা প্রেক্তিস অমনি। মসিনা ঐখোয়দা ফিজিকেল পৱার পীবগা লোয়ননা মেন্টেল বেলেন্স অমদি ইমোস্নেল ষ্টেবিলিটি পীদুনা হৌজিক মতমদা ঐখোয়না থেংনরিবা শিংনবশিং মায় পাক্না মায়োক্লবা ঙমহল্লি।

ইন্টরনেসনেল যোগ দয়ালগী নুমিৎ ৭৫ নি গী কাউন্টদাউনগা মরী লৈননা ঐখোয়না ইভেন্ট অসি শিন লাংলিবনি।

অয়ুস মিনিষ্ট্রিনা হেরিটেজ সাইট ৭৫ দা যোগ পার্ফোমেন্স উৎননবা থৌরাং তৌখি। মসিদা নত্তনা ইন্টরনেসনেল ডে ওফ যোগগী প্রোগ্রামশিং মালেম পুম্বদা শন্দোক্ল বসু থৌরাং তৌরি। মসি প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদি জিগী ৱান সন, ৱান আর্থ কন্টেক্সটকা মরী লৈনৈ। য়ুনিয়ন মিনিষ্টর জি কিষন রেদ্দিনা থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙলদুনা হায়খি, যোগনা মীপুম খুদিংমক্তা কান্নবা পী। মসি নুমিৎ খুদিংগী প্রেক্তিস তৌবা হায়বসি মরু ওই।

ইন্দিয়াদা নত্তনা অতৈ লৈবাকশিংনসু যোগগী কান্নবা খঙনদুনা ঙসিদি অসিগুম্বা সেলেব্রেসনশিং পাঙথোক্লরি। লাইভ প্রোগ্রাম অদুদা পর্মট নিকেতনগী প্রসিদেন্ট পুজ্য স্বামি চিদানন স্বর্সতি অমসুং মহাবোদি ইন্টরনেসনেল মেদিটেসন সেন্টর, লেহ-লধাক্কী ফাউন্দর বিকখু সঙ্গসেনাগুম্বা যোগ গুরুশিংনা মরী লৈনবা ৱাফম কয়া থমখি।

ৱা ঙাঙবা লোইরবা মতুংদা মোরাজি দেসাই নেসনেল ইন্সটিট্যুট ওফ যোগগী এক্সপর্টশিংনা মরু ওইবা যোগ প্রোটোকোলগী লাইভ দিমোন্সট্রেসন অমা উৎখি। মদু এমদিএনআইৱাইগী দিরেক্তর ডা. ইশ্বর ভি বসাভারাদ্দিগী লিদরশিপ মখাদা পাঙথোকখিবনি।

যোগ সাদক ৩০০০ রোম্না কম্মন যোগ প্রোটোকোল পাঙথোকখি।

# পিএম মোদিনা ষ্টেট মরিগী বিজেপি এমপিশিংগা উন্নখ্রে



ন্যু দিল্লি, এপ্রিল ৭ (এজেন্সী):

প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা শগোলশেল নুমিত্তা মহাক্কী ওফিসিএল রেসিদেন্সতা দিল্লি, হরিয়ানা, উত্তরখান্দ অমসুং ওরিষাদগী লাকপা বিজেপিগী এমপিশিংগা উন্নদুনা ৱারী শান্নখ্রে।

ছোর্সশিংনা ফোঙদোকরকখিবদা মীফম অদুদা পার্লিয়ামেন্টকী হাউস অনীমক্কী এমপিশিং অমসুং য়ুনিয়ন মিনিষ্টর প্রহ্লাদ যোসিনা শরুক য়াখি।

প্রাইম মিনিষ্টরনা বিজেপিগী এমপিশিং অদুদা ওর্গনাইজেসন অসিবু গ্রাউন্দ লেভেলদা মপাঙ্গল হেন্না কনখৎহন্নবা অমদি য়ারিমখৈ মীয়ামগা শন্নহন্নবা খঙহনখি হায়রি।

ছোর্সশিংনা হায়, প্রাইম মিনিষ্টর মোদিনা এমপিশিং অদুদা মীয়ামগা উন্নদুনা গভর্নমেন্টনা পায়খৎলিবা চাওখৎ থৌরাং অমদি ৱেলফেয়রগী থৌরাংশিং খঙহন্নবা পাউতাক পীখি।

ষ্টেট মরিগী এমপিশিং অদুদা সেন্ট্রেল গভর্নমেন্টনা পায়খৎলিবা চাওখৎ থৌরাংশিং অমদি মীয়াম্বু য়াইফহন্নবগী থৌরাংশিংগী কান্নবশিং মীয়ামদা শোয়দনা ফঙহন্নবসু খঙহনখি। মীফম অদুগী মরমদা নোলেজ লৈবা পার্টিগী মীওইশিংনা হায়খি, মদুদি প্রাইম মিনিষ্টরনা এমপিশিং অদুগা মখোয়গী থবক থৌরমশিংগী মতাংদসু খন্নখি অমসুং মীচম মীয়াম্বু কানহন্নবা মখোয়গী থবক থৌরমশিং অদু করম্না হেন্না ফগৎহনগদগে হায়বগী মতাংদা মহাক্না পাউতাক পীখি।

মখোয়গী ষ্টেটশিংগা মরী লৈনবা মরু ওইবা ইস্যুশিংগী মতাংদসু প্রাইম মিনিষ্টরনা এমপিশিং অদুগা খন্ন-নৈনখি।

পার্টিগী ফঙ্কসনরি অমনা ফোঙদোরকখিবদা মদু কর্সি মীটিং অমনি। অমসুং প্রাইম মিনিষ্টরনা পার্লিয়ামেন্ট সেসন মনুংদা তোঙান তোঙানবা ষ্টেটশিংগী এমপিশিংগা লোয়ননা অসিগুম্বা মীটিংশিং পাঙথোক্কুনা লাকখি।

হন্দক্তা প্রাইম মিনিষ্টর নরেন্দ্র মোদিনা গুজরাটকী পার্টিগী এমপিশিংগসু উন্নদুনা ৱারী শান্নখ্রবনি।

ꯑꯦꯗꯚꯔꯇꯥꯏꯖꯃꯦꯟꯇ

**ADVERTISEMENT FOR RECRUITMENT OF TRAINERS**

**North East India Manipur Skill Empowerment Centre** invites application from eligible candidates for the following post of trainers who have been Training of Trainers (TOT) Certified under National Skill Development Centre (NSDC). Walk-in-interview will be conducted on 08/04/2022 and 09/04/2022 at 11:00 AM at the given address.

| Sl. No. | Job Role | No. of Post |
|---|---|---|
| 1 | Home Delivery Boy | 4 |
| 2 | Counter Sales Executive | 4 |
| 3 | Front Office Associate | 4 |
| 4 | SPA Therapist | 4 |
| 5 | Barbar | 4 |
| 6 | Nail Technician | 4 |
| 7 | Bussiness Owner / Vypari | 4 |
| 8 | Business Builder/ Dukandar | 4 |
| 9 | Retail Team Leader | 4 |

Office Address: Manipur Welfare Organization Building, Wangkhei Ningthem Pukhri Mapal, Near Royal Academy of Science, Imphal East, Manipur.
Contact No. : 9774328353 / 9916992804
HL-P/2199/8

Bharatiya Vidya Bhavan
DM College of Commerce, Imphal ꯄꯥ ꯒꯥ ꯄꯥ
Admissions open for *Free Computer Courses

Courses Offered
- Office Assistant Course
- Desktop Publishing (DTP)

Key Features:
1. Govt. Recog. Certificates
2. Intense Practical Session
3. Small Class Size
4. 1 Person 1 Computer
5. Flexible Timings

HL-P/2201/8,9

For more information please contact the office of the Bharatiya Vidya Bhavan, DM College of Commerce, Imphal-795001on all working days during office hours( 8:00 AM to 1:30 PM )or contact us at 9774762628

ꯀꯨꯞ ꯁꯪꯀꯥꯡꯕꯦꯟ **URGENT JOB VACANCY**
Govt. Regd. No. SSL/64/com Estd of 2016, Manipur

*Airport Job Vacancy at Bangalore, Hyderabad & Kolkata*
*(Training with 100% Placement) First Come First Chance*

| Sl. No. | Name of the Post | Salary | No. of Posts | Qualification |
|---|---|---|---|---|
| 1 | Loader/ Cargo Loader/Cleaner | Rs. 12000 above | 30 | VIII/X/XII |
| 2 | VIP Lounge Staff/ Ground Staff | Rs. 15000 above | 20 | XII / Grad / Master |
| 3 | Commercial CSA Staff/ Attendent | Rs. 15000 above | 20 | Grad / Master |
| | *Job Vacancy at Imphal (First Come First Chance)* | | | |
| 1 | Office Reception/ Front desk | Rs. 5000 - 20000 | 18 | X / XII / G |
| 2 | Food & Beverage Supervisor | Rs. 10000 | 10 | XII / G |
| 3 | VIP Driver / Company Driver | Rs. 6000-15000 | 15 | VIII / X / XII |
| 4 | Security Guard (M/F) | Rs. 6000-25000 | 25 | VIII/X/XII |
| 5 | Helper/ Chawkidar | Rs. 4500 - 20000 | 15 | VIII/X/XII |
| 6 | Cook / Waiter | Rs. 4500-20000 | 20 | VIII/X/XII |
| 7 | Delivery Service | Rs. 8000 | 5 | XII/ Graduate |
| 8 | Juice Selling Workers | Rs 5000 | 20 | VIII/X/XII |
| 9 | Ex- Service Men | Rs. 8000- 15000 + EPF | 10 | VIII/X/XII |
| 10 | Supervisor / Trainer | Rs. 8000 – 20000 +EPF | 10 | VIII/X/XII |
| 11 | Official Managerial Staff | Rs. 5000- 8000 | 20 | X / XII |
| | *Vacancy at North East India (Male/Female)* | | | |
| 1 | Security Guard (Pune) | Rs. 18000 + EPF | 30 | VIII/X/XII |
| 2 | Ex-Servicefman (Assam) | Rs. 30000 + EPF | 30 | VIII/X/XII |
| 3 | Banking Staff (26 Yrs) | Rs. 14000 above | 15 | Graduate |

Last Date of Submission : 28/04/2022
For More Information Please Contact
Offcie Timing : 10:30 am to 3:00 pm
# 7641836503 / 8794793684
Date of Interview : 29/04/2022
**Salai Unemployment Service Centre**
Sagolband Salam Leikai, Near Luxmi Kitchen, Jiri Parking
HL-P/2179/7,8,11,13,17,18,20,23,25

# গুরুগ্রামদা ফেক কোল সেন্টর চল্লাইরম্বা মীওই ১৭ পুলিসনা ফাগৎখ্রে

গুরুগ্রাম, এপ্রিল ৭ (এজেন্সী):

য়ুএস অমসুং কানাদাগী সিটিজেনশিংদা নমথাক তৌবা ফেক কোল সেন্টর অমা চল্লাইরম্বা থেংনখিবগা লোয়ননা হিরম অসিগা মরী লৈননা য়ুমশকৈশ অমসুং শগোলশেনগী লোন্নবা অহিং অমদা গুরুগ্রামগী উদ্যোগ বিহারদগী মীওই ১৭ ফাগৎখ্রে।

থাজবা য়াবা অরোনবা পাউ অমা ফঙবদগী উদ্যোগ বিহার পুলিস ষ্টেসন অমসুং সাইবর ক্রাইম পুলিসকী ফ্লাইং স্কাউদ টিম অমনা কোল সেন্টর অদুদা রেইদ চথখি অমসুং শেল ওইনা লুপা লাক্ষ ২২.৫০, লেপটোপ তরুক, দেক্সটোপ অহুম, মোবাইল ফোন ১৮ অমসুং জিবি ৬৪ গী পেন দ্রাইভ অমা রিকোভর তৌখি।

টিম অদুবু লুচিংখিবা দিএস পি ইন্দ্রজিৎ সিংহ যাদবনা ফোঙদোরকখিবদা কোল সেন্টর অদুগী এমপ্লোয়িশিংনা মাইক্রোসোফ টেক্নিকেল সপোর্টকী ওফিসিএলশিং শারগা য়ুএস অমসুং কানাদাগী নেসনেলশিংদা কোল তৌখি অমসুং সার্ভিস চার্জনা মখোয়দগী দোল্লর ৫০০ দগী ১০০০ ফাওবা লৌখি।

কোল সেন্টর অদু পার্মিসন য়াওদনা চল্লাইরম্বনি। মসিদা নত্তনা সেন্টর অদুনা দিপার্টমেন্ট ওফ টেলিকম্যুনিকেসন (দিওটি) না ইস্যু তৌবা লাইসেন্সসু পায়রমদে।

মখোয়বু ৱাহং পাউহং চথবদা এক্যুজশিং অদুনা য়ুএস অমসুং কানাদাগী সিটিজেনশিংদা মখোয়না কোল তৌই অমসুং টেক্নিকেল সপোর্ট ওফর তৌবগা লোয়ননা সার্ভিস চার্জ ওইনা ক্লাইন্ট অমমমদগী দোল্লর ৫০০ দগী ১০০০ রোম লৌই হায়না ফোঙদোরকখি।

দিএসপিনা মখা তানা ফোঙ-দোরকপদা ফেক্ট কোল সেন্টর অদুগী এমপ্লোয়িশিংনা তলবতা নত্তনা মখোয় কম্মিসনসু ফঙই হায়না ফোঙদোরকখি। ফেক্ট কোল সেন্টর অদুগী মরু ওইবা এক্যুজ লোৎখ্রে।

আইপিসি অমদি আইপি এক্টকী মরী লৈনবা সেক্সনশিংগী মখাদা উদ্যোগ বিহার পুলিস ষ্টেসনদা কেস অমা রেজিষ্টর তৌখ্রে হায়রি।

**MANIPUR UNIVERSITY**
**CANCHIPUR - IMPHAL**

ꯑꯦꯗꯃꯤꯁꯟ ꯅꯣꯇꯤꯁ /**ADMISSION NOTICE / 223**
Dated, the 6th April, 2022

No. MU/3-20/HRDE/Cert/Aca/13: Online application forms are invited for admission into Six Months Certificate Course in Human Rights and Duties Education, for the academic session 2022.

***Eligibility:***

Matriculation or 10+2 level examination, preference will be given to candidates having higher academic qualifications.

Application can be applied online at the Manipur University Website (**www.manipuruniv.ac.in**). An application fee of Rs. 100/- can be paid online.

**IMPORTANT DATELINES:**

| | |
|---|---|
| START OF ONLINE SUBMISSION | 08-04-2022 |
| LAST DATE FOR ONLINE SUBMISSION | 22-04-2022 |

**Sd/- Dr. R.K. Joteen Singh**
**Deputy Registrar (Aca)**

HL-B/7592/8

Regd. No. : KNL / 497 / (CE) of 2018 (I/W)
ꯁꯥꯡꯒꯥꯏ ꯇꯨꯇꯣꯔꯤꯑꯦꯜ
SANGAI TUTORIAL
ADMISSION OPEN | Kwaikeithel Near Imphal College, Imphal
FOUNDATION COURSE for CLASS- X (BOSEM), CLASS - XII Sc. (COHSEM)
CLASS COMMENCING ON :
CLASS X - 11TH APRIL, 2022
CLASS XII Sc. - 9TH MAY, 2022
Special features : a) Chapterwise Test Series
b)We provide printed probable questions and answers
c) Hostel for Boys & Girls d) Van Service available
CLASS TIMING : 4:30 PM TO 7:30 PM
Our position holders for last 3 years




8413855751
9862712287

Form Available : 1. SANGAI HOSTELS, Kwakeithel Ningthemkol Opp. Tiddim Ground
2. Office of SANGAI TUITORIAL, Kwakeithel Near Imphal College
HL/P/1896/26/3 - 26/4